ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO

The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ



কক্চীংগী জিবন হোস্পিটাল অমসুং য়েংখোম নেত্রমনি কোলেজ ওফ নর্সিংগী ১২শুবা মপোক কুম্মওন থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা হেল্থ মিনিষ্টর ডা. রঞ্জননা থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা


অমুকোগী ৩০শুবা ফাউন্দেসনগা মরী লৈননা য়াইবিলেন হোমদা তেংবাঙখ্রে

☛ লামায় ২

পুন্সিগী ঈচেলদা - ৫

লামায় ৪

"খ্বাইরম্বন্দগী শামু হৌগৎলক্লে"...!

☛ লামায় ৫

নুমীৎ ৭নি চথরকখিবা নেসনল লেভেল ৱার্কশোপ লোইশিনখ্রে

☛ লামায় ৬


সোসল ৱার্কদা ওনরেরি ডোক্টরেট পীরকখ্রবী ইম্ফাল ৱেষ্টকী উপ অধক্ষ্যা ওইরম্বী লাইশ্রম বোবিবু মহাক্কী ময়ূমদা সেলিন দিজিটেলনা তরাম্না ওক্কুনা লেংয়ান ফি অমদি শকখঙ চে খুৎশিন্নবা



Vol. 46, Issue No. 307 | শগোলশেন, ফাইরেনগী ১৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, February 09, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

## দিসক্রিমিনেসন : দেল্লীদা মণিপুরগী নুপী ১ ফূরকপা মীওই পুলিসনা ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :

মতম খরগী মমাঙদা মণিপুর য়াওনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মীওইশিংবু নুপী-নুপা খাক্তনা লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লী য়াওনা মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা মখল কয়াগী থৌওংশিং চথদুনা তাথী-তাওইনা তৌবগী থৌদোকশিং থোকখ্রবা মতুং অখন্ননা নোর্থ ইষ্ট মীয়ামগী প্রোটেক্সনগীদমক পুলিস য়ুনিট ফাওবা হাংদোকপদগী খরা হন্থরক্লবসু নৌহৌননা রেসিএল

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ইম্ফাল ১সুং লৌবুক্তা অরিবা বোম ১/১ লৈরম্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :

ঙসি অয়ূক পুং ৭.৩০ রোম তারকপদা শগোলমাংদা লৈবা তেকচম চুরা কৌবা মীওই অমগী ইম্ফোলদা পুথ্রি তৌবদা অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা শীজিন্নরম্বা ওইগনি থাজবা অরিবা বোম অমা লৈরম্বদগী পুলিসকী বোম এক্সপার্টশিংনা লৌখৎলগা নোংমাইজিং চীংখোঙদা পোকখায়হনখ্রে।

অমরোমদা অয়ূক পুং ৮ লোম তারকপদসু য়াইরিপোক খোইরোম হৈনৌ মখোঙ লৌকোলদা লৈবা লাইশ্রম লুখোই কৌবা মীওই অমগী লৌবুক্তা লৌ খোইবদা অরিবা বোম অমা লৈরম্বদগী পুলিসকী বোম এক্সপার্টনা মী শোকহন্দনা পোকখায়হনখ্রে হায়রি।

## বিষ্ণুপুরদা টিদ্দিম লম্বী শেংখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :

লৈবাক অসিনা প্রসিদেন্সিপ ওইবগী মনুং চন্না মণিপুরদসু লোক্তাক খোংবান্দা জি-২০গী মীফম পাঙথোক্কদৌরিবগী মাঙওইননা ঙসি হ্যুমেনিজম ফাউন্দেসন অমসুং পি ঐচ ঈ দি, বিষ্ণুপুর দিভিজননা খুৎশম্নদুনা টিদ্দিম লম্বীগী নাক-য়েৎতা লূ-নান্না লৈহন্নবগীদমক শিৎ-শেংবগী থবক নুমিৎ চুপ্না পাঙথোকখ্রে।

...মখা লামায় ৩ কলম ১

## পি ঐচ ঈ দিগী ঈ ঈগী নোটিস অমুক্কসু হায় কোর্টনা ষ্টে তৌখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :

ৱাঙ্গোই এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী মনুং চল্লিবা ৱাঙ্গোই অমসুং শামুরৌগী ভিলেজ ৱাটর অমসুং সেনিটেসন কম্মিটিশিংবু পি ঐচ ঈ দিগী ইম্ফাল ৱেষ্ট দিভিজনগী এগজিক্যুটিভ ইঞ্জিনিয়রনা জন্যুৱারী ২৩, ২০২৩দা থোকখিবা ওর্দরশিংনা দিজোল্ভ

...মখা লামায় ৩ কলম ৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : Manipurda PMGSYgi lambi semnaba sellsing contractorsingna lanna louthokpham oirabra haibasi leingakna thijinpham thoktabra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes   No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : RTI activist singda Sel piduna mantiknaramba loishangsinggi official cheirak pipham thoktabra?

Yes 100%   No 0%

### অস! লোইরেহে!




গভর্ণরগী খোঙচৎতা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নরগী ৱাকৎ

# এদ্যুকেসন অমসুং হেল্থ-ক্যের য়াওনা সেক্টর অয়াম্বদা মেন পৱারশিং ৱাৎলে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :

মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬কী মনুংদা য়াওরিবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী মনুংদসু ইম্ফালদগী খ্বাইদগী লাপ্পা লৈবগা লোয়ননা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা মথং মথং চৎতুনা মফমশিং অদুগী খুঞ্জাশিংগা হকথেংননা ৱারী-ৱাতাই শানবগী থবক লেপ্তুনা চথরক্লিবা গভর্ণর লা গনেসননা ঙসিসু কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী কসোম খুলেন সব দিভিজনেল হেদ ক্বার্টরদা চৎতুনা মফম অদুগী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিং, সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিং, ভিলেজ চীফ অমসুং খুঞ্জাশিংগা হকথেংননা উন্নখ্রে।

সব দিভিজনেল হেদ ক্বার্টর অসিদা লৈবা সদভাবনা মান্দবতা পাঙথোকখিবা পূন্না ফম্মিন্নদুনা ৱারী-ৱাতাই শানবগী থৌরমদা গভর্ণরনা দি এল ওশিং, সী এস ওশিং য়াওনা ভিলেজ চীফ অমসুং খুঞ্জাশিংগী মায়কৈদগী থাঙ্গৎলকপা মখোয়না মায়োক্লবা খুদোংচাদবা অমসুং ইস্যুশিং মুন্না তাখি। অদুগা খুঞ্জাশিংগী অনীংবা অপাম্বগী মতুংইন্না পাংবা য়াবা মতেং পুন্নমক পাংগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা পীরমখি।

গভর্ণরনা মহাক্কী ঙসিগী খোঙচৎ অসিগী মনুং চন্না কসোম খুলেন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদসু চৎতুনা মহৈলোয়শঙ অসিগী ফীভমশিং হকথেংননা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিং অমসুং ওজাশিংগসু ৱারী-ৱাতাই শানখি। স্কুল অসিদা হৌজিক চথরিবা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিংসু য়েংশিল্লদুনা সব দিভিজন অসিগী মনুংদা লৈরিবা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরগী ফীভম হৌজিক করি ওইরিবগে হায়নসু হংখি।

খুঞ্জাশিংগা পূন্না ৱারী ৱাতাই শানখিবদা মহাক্না হায়, কসোম খুলেন সব

...মখা লামায় ৫ কলম ১

মণিপুর লোক আয়ুকতা সুপ্রিম কোর্টতসু খুদি থিরে

# হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী ফাইনেল জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদা 'ইন্টরফিয়র' তৌরোই হায়রক্লে



**মণিপুর লোক আয়ুকতগা এম এস পি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টরগগী মরক্তা শোক্নরকপা লোগী লান**

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :

হায় কোর্ট মণিপুরগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরননা দিসেম্বর ১, ২০২২দা অরোইবা ৱায়েল চথরগা নুমিৎ অসিদগী রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অমা দিসেম্বর ১৯, ২০২২দা লাউথোক্লদুনা মণিপুর লোক আয়ুকতগী সেক্রেটরিনা এপ্লিকান্ট ওইদুনা ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (রিট পিটিসন-সিভিল) নম্বর ৩৪৬ ওফ ২০২২বু মেরিট য়াওদে হায়দুনা দিসমিস তৌখিবা ওর্দরগী মায়োক্তা মণিপুর লোক আয়ুকতনা চৎলিবা চহীসিদা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসিগী মায়োক্তা স্পেসল লিভ পিটিসন (স্পেসল লিভ টু আপীল) নম্বর ২০৬৯ ওফ ২০২৩ ফাইল তৌরুবদসু লৈবাক অসিগী এপেক্স কোর্টনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা দিসমিস তৌখিবা মণিপুর লোক আয়ুকতগী মিসেলিনস কেস অসিগী ওর্দরদা 'ইন্টরফিয়র' তৌররোই হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকখ্রে।

সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওর্দর অসি থা অসিগী ৩দা মণিপুর লোক আয়ুকতনা দিসেম্বর ১৯, ২০২২দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা মখোয়গী মিসেলিনস কেস দিসমিস তৌবগী ওর্দর অদুগী মায়োক্তা ফাইল তৌরকপা এস এল পি লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা পীখিবনি।

এপেক্স কোর্টনা এস এল পি অসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস কে এম জোসেফ অমসুং জষ্টিস জে বি পার্দিৱালাগী বেঞ্চনা লৌখৎখি। মণিপুর লোক আয়ুকতগী এস এল পি অসি এম এস পি সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টর এন সরত অমসুং অতোপ্পা

...মখা লামায় ৫ কলম ৫

## হিরোইন কিলোগ্রাম ১ হেনবগা কোন্ননা ফাখিবা মীওই ১ চহী ১৮গী মতুংদা ফাদোক পীরে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) : মণিপুর লৈঙাক্লা কুমজা ২০১৮দগী ষ্টেট অসিদগী ময়াই কাবা ইল্লিগেল দ্রগশিং মরূ ফংনা মূখৎকনি হায়বগী পান্দমদা ৱার ওন দ্রগস কেম্পেয়ন থেঙ্খাং নাইনা চঙশিল্লক্লগসু হিরোইন নম্বর ফোর কিলোগ্রাম ১ হেনবগা কোন্ননা হকথেংননা ফাগৎখিবা মীওই অমা চহী ১৮গী মতুংদা ইল্লিগেল দ্রগশিং অসি পুরম্বগীদমক মরাল লৈরে হায়দুনা কোর্টনা লাউথোক্তুনা ফাদোক পীখ্রে।

ঙসি স্পেসল জজ (এন দি এন্দ পি এস) বিষ্ণুপুর দল্লিয়ু তোনেন মৈতৈগী কোর্টনা মহাক্কী ওপন কোর্টতা ফাদোক পীরে হায়দুনা লাউথোকখ্রবা মীওই অদুগী মমিং খ্বাইরাকপম রোমিও (৫৪) কৌই, নম্বোল অৱাং লৈকায়দগী লৈখিদ্রবা কে ঐচ বুধিগী মচানুপানি।

ঙসিদগীনা চহী ১৯ রোমগী মমাঙ কুমজা ২০০৪গী ওক্টোবর ১গী নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তারকপদা মহাক মতম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা লৈরম্বা স্পেসল ইন্টলিজেন্স য়ুনিট (এস আই য়ু) গী ওফিসর ইন চার্জ ওইখিবা সব ইন্সপেক্টর টি ঐচ ইবোতোম্বীনা তৌরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না মীওই অসি নম্বোলগী লাইনীংথৌ খোরিফাবা চীংগী ইন্টর ভিলেজ রোদকী মফম অমদগী হিরোইন নম্বর ফোর কিলোগ্রাম ১ হেনবা (গ্রাম ১০৫০) গা কোন্ননা ফাগৎখিবনি হায়রি।

মহাকপু ইল্লিগেল দ্রগশিং অসিগা কোন্ননা ফাগৎপদগী মহাক্কী মথক্তা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ২১ (সী) গী মখাদা নম্বোল পুলিস ষ্টেসননা কেস এফ আই আর নম্বর ৫৪ (১০) ২০০৪ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি। পুলিসকী মায়কৈদগী পাঙ্গেগী ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরিদা মঙোন্দগী ফাগৎখিবা দ্রগশিং অসিগী মনুংদগী সেম্পল থাদুনা টেষ্ট তৌবদসু হিরোইন নম্বর ফোরনি হায়না কনফার্ম তৌরকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা কেস অসিগী চার্জশীট ফ্রেম তৌখি হায়রি। অদুগা কোর্ট অসিনা মহাক্কী মথক্তা এন দি এন্দ পি এস এক্টকী সেক্সন ২১ (সী) গী মখাদা ওক্টোবর ৩, ২০১৫দা কোগনিজেন্স লৌরগা ৱায়েল চথরকখিবনি।

মহাক্কী ৱায়েলদা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস ৬ অমসুং দিফেন্স ৱিটনেস অনীগী ষ্টেটমেন্টশিং লৌবগা লোয়ননা কেস অসিগী অরোইবা হিয়ারিং মমাঙ থাগী ৩০দা পাঙথোক্লগা নুমিৎ অদুদগী রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙসি কোর্ট অসিগী স্পেসল জজ দল্লিয়ু তোনেন মৈতৈনা মহাক্কী ওপন কোর্টতা লাউথোকখিবনি।

পূন্না লমায় ৭৪ পনাবা কোর্টকী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না মহাক্না কিলোগ্রাম ১ হেনবগী হিরোইন নম্বর ফোরশিং অন ওথোরাইজ ওইবা মওংদা পুদুনা চৎলম্বগীদমক মহাকপু এন দি এন্দ পি এস এক্ট, ১৯৮৫গী ২১ (সী) গী মখাদা ফাদোক পীরে হায়খি। অদুগা মঙোন্দগী ফাগৎখিবা নম্বর ফোর অসিনা আপীল পেরিয়দ লোইরবা মতুংদা মাঙহন্নবসু দিরেক্সন পীখি।

ঙসি কোর্টনা মহাকপু ফাদোক পীরে হায়দুনা লাউথোকখিবদা মহাক মণিপুর সেন্ট্রেল জেল শজিৱাদগী পুথোরক্তুনা কোর্ট রুমদা লৈখি অমসুং মহাকপু ফাদোক পীরে হায়বা ৱাফম কোর্টনা মশাদসু খঙহনখি। অদুম ওইনমক মহাক্কী ফাদোক্কী মতম লেপথোক্লবগী সেন্টেন্স হিয়ারিংনা থা অসিগী ১৩দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

## স্কুলশিংগী নোটিস বোর্দতা থেৎননবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) : লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ওক্টোবর ১০, ২০২২দা থোকখিবা ওর্দর অমনা লৈঙাক্কী ওজাশিংনা প্রাইভেট কোচিং ক্লাস/প্রাইভেট টুসন তৌবদা অথিংবা থম্বগী ওফিস মেমোরেন্দম অদু মহৈলোয়শঙশিংগী নোটিস বোর্দশিংদা থেৎতুনা থম্নবা স্কুল এদ্যুকেসনগী দিরেক্টরনা নৌহৌননা খঙহনখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা দিরেক্টরনা মমাঙ থাগী ৩১দা লৈঙাক্কী জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসরশিং অমসুং লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা স্কুল পুন্নমক্কী হেদশিংদা অইবা চেরোলশিং পীখ্রে। লোয়ননা অসিগুম্বা থৌওংশিং চথরম্বা ওজাশিংগী মথক্তা এক্সন লৌগনি হায়রি।

## চীফ মিনিষ্টরনা জি-২০ সম্মিটকীদমক এথনিক পার্ক য়াওনা টুরিষ্ট স্পোটশিং হকথেংননা য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :

লৈবাক অসিনা য়ূম্বু ওইরিবা জি-২০ সম্মিটকী মনুং চন্না ষ্টেট অসিদসু থা অসিগী ১৭তগী ১৯ ফাওবা সম্মিট অসিগা মরী লৈনবা থৌরমশিং পাঙথোক্কদবগী মাঙওইননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা মহাক্কী মিনিষ্টর অমসুং এম এল এশিংনা মরী লৈনবা ওফিসলশিংগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা টুরিষ্ট স্পোটশিং হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।



ঙসি চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিমনা য়েংশিনখিবশিংগী মনুংদা মমাঙ চহীগী নবেম্বর ২১দগী হৌরগা ৩০ ফাওবা নুমিৎ ১০নি চুপ্না পাঙথোকখিবা মণিপুর সঙাই ফেষ্টিবেলগী মপূং ওইবা ভেন্যু ওইখিবা মোইরাং খুনৌগী এথনিক পার্ক অমসুং সেন্দ্রাদা লৈবা লোক্তাক ইনলেন্দ ৱাটর ত্রান্সপোর্ট কমপ্লেক্সকী ফীভমশিং হকথেংননা য়েংশিনখিবনি।

চীফ মিনষ্টরনা এথনিক পার্ক মনুংদা সম্মিট অসিগী মাঙওইননা শেমগৎ শাগৎলিবশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## ম্যান্মার মচা অমনা পীরকপা কানি কিলোগ্রাম ৬ হেন্না ফারে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) : ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তারকপদা চুড়াচান্দপুর পি এসকী ওফিসর ইন চার্জ অমসুং সঙাইকোট পি এসকী টিম অমগনা খ্বাংখাই রোমদগী সঙাইকোট এরিয়া তম্না ইল্লিগেল দ্রগশিং পুরক্কনি হায়বা ইনফোর্মেসন অমগী মতুংইন্না পুলিস ষ্টেসন অনীগী কম্বাইন্দ টিমনা মফম অদুদা চঙশিন্দুনা গাড়ী পুন্নমক ফ্রিস্কিং অমসুং চেকিং চথবদা ম্যান্মার মচা অমনা পীরকখিবনি হায়বা কানি কিলোগ্রাম ৬.১৬৭কা কোন্ননা মীওই অমা ফারে হায়রি।

ফারবা মীওই অদুগী মমিং হোলঙম হাওকিপ (৫০) অপোকপা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

## পেসেন্ট ১১,৪২৩না কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌখি : হেল্থ মিনিষ্টর



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) : লৈবাক অসিদা মমাঙ চহী ২০২২গী দিসেম্বর ফাওবদা পেসেন্ট ১১,৪২৩না কিদনি ত্রান্সপ্লান্ট তৌখিবগী রেকোর্দ লৈ হায়না য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টর (হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র) ভারতি প্রবিন পাৱরনা চথরক্লিবা পার্লিয়ামেন্টকী বডজেট সেসনদা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মণিপুরগী রাজ্য সভাগী এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা ঙৱাং পার্লিয়ামেন্টতা শরুক য়ারদুনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

এম পি লৈশেম্বা সনাজাওবনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা মশাগী চহী ২৫ শুদ্রিবা নহারোলশিংগী মরক্তগী কিদনিগী লায়নাশিং নাবা মশীং হেনগৎলক্লব্রা হায়বা ৱাহং হংখিবনি।

ৱাহং অসিগা লোয়ননা করিগুম্বা হেনগৎলম্বা

...মখা লামায় ৩ কলম ১

## পি এম জি এস ৱাইগী অনৌবা ৱাথোক : কিমি ৩৮ হেন্না শাংবা লম্বী কিমি ১ রোমদমক কোয়লাস থারম্লগা শেল লোইনা লৌথোকখ্রে

**নুমিৎ ৭নিগী মনুংদা লম্বী শেম্বীদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি : ভিলেজ চীফশিং**



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মচি ব্লোক্কী মনুং চনবা খোইবু সেন্টরগী মনুংদা লৈরিবা সেন্টর অসিগী অকোয়বদা খুন্দারিবা খুল ৩৩গী লাইফ লাইন ওইরিবা বি আর টি এফ রোদতগীনা এম রিংপাম ফাওবগী লম্বী অসি কুমজা ২০১৫দগী শেম্বা হৌরকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা কিলোমিটর ১.৫০ রোম খক্তমক কোয়লাস থারম্লগা থবক অসিগী অপূনবগী লৌফম থোকপা শেলদি লোইনা লৌথোকখ্রে হায়রি।

লোয়ননা পি এম জি এস ৱাইগী শেন্থং মখাদা শেম্বা হৌখিবা লম্বী অসিগী পেকেজ নম্বরনা এম এন ০২১-৬৭কী ফেজ ১১নি হায়রি। কুমজা ২০২১গী ফেব্রুৱারী ১৪দা হায়রিবা লম্বী অসি শেম্বা

...মখা লামায় ৩ কলম ৬

# উকুশিং শেমজিন্দবগী মায়োক্তা জিরি লম্বী থিংজিল্লুরে

## এম এল এ কুঞ্জকেশোরনা থাজবা পীবদগী খোঙজং হন্দোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচ এন এস) :

ষ্টেট অসিগী হায়ৱেশিংগী মনুংদা মরু ওইবা অমা ওইরিবা নেসনল হায়ৱে-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বী পরিংদা লৈবা উকুশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী অকক্নবা মতম পীরবা ফাওবদা শেমজিনদ্রে হায়বদগী খোইশাওনরবা মীয়াম্না ঙসি হায়ৱে অসি লাংজিং অচৌবা এরিয়াদা পুং খরা থিংজিন্দুনা থম্লুরে।



মফম অসিদা মীয়াম্না লম্বী থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লকপদগী পাৎশোই এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সিগী এম এল এ সাপম কুঞ্জকেশোরনা খোঙজংলোয়শিংদা মখোয়না শেমজিনহন্নীংলিবা হায়ৱে অসিগী উকুশিং নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা শেমজিল্লগনি। লোয়ননা করিগুম্বা হায়রিবা নুমিৎ অসিগী মনুংদা শেমজিন্দবা তারবদি থবক অসিবু পাঙথোক্কদবা মরী লৈনবা এজেন্সীশিংগী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়দুনা থাজবা পীরকপদগী লম্বী থিংবগী খোঙজং হন্দোকখি।

পনবা য়াবদি, লাংজিং অচৌবা মনীং লৈকায় মৈরা পায়বী লূপনা নুমিৎ ১৫নিগী মতম পীদুনা লূপ অসিনা কোল্লিবা মফমদা লৈবা উকু অনীখক্কী ফীভম মীয়ামদা খুদোংচানবা মওংদা শেমজিন শাজিন্নবা অইবা চেরোল অমা পীদুনা খঙহনখিবনি। লূপ অসিগী চেরোল অদুদা উকু অনী অসি নুমিৎ ১৫নিগী মনুংদা শেমজিন্নবা ৱাফম খঙহনখিবনি। অদুবু লূপনা পীখিবা অকক্নবা মতম অসিগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোরক্তবদগী হায়ৱে অসিবু থিংজিনবগী থবক লাংজিং অচৌবগী এরিয়াদা চথরকপনি হায়না লূপ অসিগী মেম্বর খংজ্রাকপম বিলাসিনিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়,

...মখা লামায় ৩ কলম ২

## মফম ২দা মীয়াই চল্লবা নুপা ১, মৌনহা ১ থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) :

ঙসি অয়ূক অঙনবা পুং ৬ লোম তারকপদা মচানুপা ৩ অমসুং মচানুপী ২ লৈরবা মশাগী চহী ৫২ রোম শুরবা মীওই অমা মশাগী তুম্ফম কাদা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্লে হায়রি।


লৈখিদ্রবা মীওই অসিগী মমিং খুন্দ্রাকপম তোম্বা কৌই, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী তৌবুল লমখাইদগী হৌজিক্লা কোংবা লাইখুরাম লৈরক্তা নুপী ময়ূমদা লৈবনি হায়রি।

মহাক্কী লোয়নবীগী মমিংনা লাইখুরাম নিংঙোল খুন্দ্রাকপম ওংবী সুরবলা এলিয়জ নুংশিতোম্বী কৌই হায়রি। মহাক করিগীদমক নুপী ময়ূমদা থৌরি য়ান্দুনা শিরম্বনো হায়বগী চপ চাবা মরম খঙদ্রি। অদুম ওইনমক থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখৎলগা লৈখিদ্রবগী হকচাং জেনিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম এগজামিনেসন তৌখ্রে।

অমরোমদা, ঙৱাং

...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## লুপা ক্রোর ৩.৮২ রোমগী ওইগদবা সনা কিলোগ্রাম ৬.৬৪ ফারে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৮ (ঐচএনএস) : কষ্টমস দিভিজন ইম্ফালনা লোনা য়াদবা মওংদা সনা স্মগ্লিং তৌবশিংগী মায়োক্তা চথরকপা অতোপ্পা মায় পাকপা ওপরেসন অমদা ঙৱাং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী থল্লাপোকপী এরিয়াদগী বোলেরো পিকঅপ ভেন অমদা লোৎশিন্দুনা পুরক্লম্বা লুপা ৩,৮১,৪০,১৬০ রোমগী মমল ওইগদবা সনা কিলোগ্রাম ৬.৬৪ লূম্বা বিস্কিটশিং ফারে হায়রি।

কষ্টমস দিভিজন ইম্ফালগী চেরোল অমনা হায়বদা, য়াম্লবা সনাগা কোন্ননা ফারবা মীওই অদুগী মমিং এম দি উমর ফরুক (৩২) অপোকপা নুর কৌই, পোরোম্পাৎ মুসলিম রোদ নম্বর ২দগীনি হায়রি। মহাক্না ইম্ফাল মোরে লম্বীদা সনাশিং অসি পুদুনা লাক্কদৌরে হায়বা অকক্নবা পাউ অমদগী কষ্টমস দিভিজন ইম্ফালগী ওফিসলশিংনা লুমদুনা লৈরক্লগা মহাক্না সনাশিং অসি বোলেরো পিকঅপ ভেন এম এন-০৬/এল এ-৯৫৯৩দা হাপ্তুনা পুরক্লম্বদগী ফাবনি হায়রি। মহাক্না ইল্লিগেল ওইবা মওংদা সনাশিং অসিবু পুরকপগীদমক কষ্টমস এক্ট ১৯৬২গী সেক্সন ১০৪গী মখাদা ফাবনি হায়রি। ফারবা মীওই অদু মহাক্না শীজিন্নরকপা গাড়ীগা কোন্ননা সঙাকফমদা লৈবা কষ্টমস ওফিসতা পুরক্তুনা থি হুন্বগী থবক চথবদা সনাগী বিস্কিটশিং অদু চেকশিন্না য়োম্লগা গাড়ী অসিগী মনুংদা হাপ্লম্বনি হায়রি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫